## য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬

# ফ্রান্সনা আইসলেন্দ মায়থিবা পীরবা মতুং য়ুরো ২০১৬ কী সেমি ফাইনেল লাইন অপ মশক খঙবা লোইখ্রে






গোল্ডন বুট মনা ফংবগী লমজেলদা মকোক্তা লৈরিবা ফ্রান্সকী গ্রিজমান্না মেটচকী ৪ শুবা পাঞ্জল চনখিবা

*সেন্ট দেনিস, জুলাই ০৪ঃ*

ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগা চখরকপা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬ কী ঙরাং নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা ৪ শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক অদুনা আইসলেন্দবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা টিম মরিমক মশক খঙবা লোইখ্রে। মায় পাক্লবা ফ্রান্সনা জর্মনিগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল শান্নরগা অহানবা সেমি ফাইনেলদা পোর্টুগালগা ৱেল্সকা লম্বা তৌনরগনি।

আইসলেন্দগী টিম্না য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপনি। মদুদা মখোয়না প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা ফ্রান্সকা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরকপনি। অমরোমদা ফ্রান্সনা মখোয়গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দবুসু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙরাং নোংয়াই মতুংদা সেন্ট দেনিস সহরদা লৈবা ষ্টেদিয়ম দি ফ্রান্সতা তিনখিবা ভাবক ৭৭,০০০ রোম্না অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু মীৎয়েং তাখি। মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা আইসলেন্দগী মায়কৈরোমদা এটেক চখবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী ১২ শুবা মিনিটতা ফ্রান্সকী মায়কৈদগী ব্লেজি মাটুইদিনা লোফ তৌরকপা বোল অমা তাঞ্জা চানা চেনশিল্লকখিবা ওলিভর জি রোদনা ফংলগা অশোয়–অঙাম য়াওদনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

২০ শুবা মিনিটতা ফ্রান্সকী পোকবানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনখি। লোয়ননা অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ২দমক ঙাইরবা মতমদা দিমিটি পায়েপনা ফ্রান্সকী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লৈরিঙৈ টুর্নামেন্ট অসিদা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা য়াম্না ফজবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা এন্টোয়েন্ট গ্রিজমান্না কাউন্টর এটেক অমদা ফ্রান্সকী ৪ শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ৫৬ শুবা মিনিটতা আইসলেন্দগী মায়কৈদগী সিগুর্দসন্না টিম অদুগী পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা গিরোদনা ৫৯ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৫–১ দা স্কোর বোর্দ অদুদা লৈখি। মেটচকী অপীবা মতম য়ৌগদবা মিনিট ৬ ৱাংলিঙৈদা আইসলেন্দগী বিকির জার্নেসন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু ফ্রান্সনা পাঞ্জল ৫–২ দা আইসলেন্দবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



পাঞ্জল ৪ শুবা ঙমখ্রবা গ্রিজমানবু টিমমেট পায়েটনা বুট চুপ্তুনা থাগৎপা ফোঙদোকপা

**EURO CUP 2016 SEMI-FINAL LINE-UP**

| Day / Date | Match | Time | Venue |
|---|---|---|---|
| Thursday, July 07 | Portugal v Wales | 12.30AM IST | Lyon |
| Friday, July 08 | Germany v France | 12.30 AM IST | Marseille |

## ৱিম্বলদন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# রোজর ফেদরর ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে নিসিকোরি মায়থিহৌরে সনিয়া অমসুং হিঙ্গিসসু ক্বার্টর য়ৌখ্রে







য়ু এস এ গী ষ্টিব জোনসনবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর

*লন্দন, জুলাই ০৪ ঃ*

নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেদরর লন্দনদা চখরিবা চহী অসিগী অহুমশুবা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদনগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ঙসি মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরি মশা শোকপদগী শান্নবা মপুং ফাবা ঙমদনা মায়োক্নবা শান্নরোই মারিন সিলিক্কা প্রি ক্বার্টর অদু থোইখ্রে। অমরোমদা নুপীগী দবলসকী নম্বর ৱান জুরা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিসসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৪ শুবা রাউন্দদা য়ু এস এ গী শান্নরোই ষ্টিব জেনসনবু ষ্ট্রেট সেট ৩ দা ৬–২, ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৮ লক শুবা ৱিম্বলদন টাইটল লৌননবগী লম্বেলদা চুম্না চঙশিল্লি।

ফেদররনা মারিন সিলিক্কা সেমি ফাইনেল য়ৌননবা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি। ফেদররনা গ্রান্দস্লাম সিঙ্গলস মেটচ ৩০৬ মায় পাক্তুনা হান্না লৈরম্বা য়ু এস এগী মার্টিনা নভ্রাটিলোভাগী রেকোর্দ অদুগা মান্নবা ঙল্লি। মহাক্না সিলিকপু মায়থিবা পীবা ঙম্লবদি টেন্নিসকী লমদা শান্নরোই অমনা খ্বাইদগী য়াম্না সিঙ্গলস মেটচ মায় পাকপা ঙম্বা শান্নরোই অদু ওইগদৌরিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরি মরিশুবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা শান্নবদা অহানবা সেট অদু য়াম্না শোন্না গেম ১–৬ তা মায়থিরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদসু গেম ১–৫ দা শোত্থদুনা লৈরিঙৈ মথবাক শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা মারিন সিলিক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মারিন সিলিক কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস এ ওপন চেম্পিয়ননি। মহাক্না ফেদররগা শান্নগদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল অসি য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইগদৌরি।

চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান জুরা ওইরিবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিসনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ু এস এ গী খৃষ্টিনা মেগহেল অমসুং লাটভিয়াগী এলিনা ওষ্টাপেঙ্কোবু য়াম্না লায়না ৬–১, ৬–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী মিসাকি দোইবু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোইশিং অদুদি য়ু এস এ কী মেদিসন কিজবু ৬–৭(৫–৭), ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং পোলেন্দগী রাদৱানস্কাবু ৬–৩, ৫–৭, ৯–৭ দা থোইরম্বী স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানি।

রূসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভাসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি। মহাক্না ৪ শুবা রাউন্দদা য়ু এস এ গী কোকো ভান্দিৱেগিবু ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।



রাদৱানস্কাবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর

# কানাদা ওপন বেদমিন্টন্দা বি সাই প্রনিথনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে অদুগা নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অত্রি অমসুং রেদ্দিনা টাইটল লৌখ্রে






কানাদা ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী দবলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিট রেদ্দি

*কালগেরি, জুলাই ০৪ ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোই বি সাই প্রনিথনা কানাদাগী সহর কালগেরিদা পাঙথোকপা কানাদা ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী জুরা মনু অত্রি অমসুং বি সুমিট রেদ্দিসু টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বি সাই প্রনিথনা ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী লি হ্যুনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১২, ২১–১০ দা মায়থিবা পীখি।

প্রনিথনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী ব্রাইস লেভরদেজবু অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ২২–২০, ১৯–২১, ২১–১২ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী লি হ্যুন্না টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম্বু য়াম্না কোম্না ২১–৯, ২১–৮ দা থোইরম্বনি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেটচ অদুদদি ইন্দিয়াগী প্রনিথকী মায়কৈদগী অহৌবা গেমদগী খুদুম চন্দুনা লাকখি।

লিবু মহাক্না অহানবা গেম অদু ২১–১২ থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদসু হান্নদগী হেন্না ফজদুনা ২১–১০ দাথোইরগা য়ু এস দোল্লর ৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কানাদা ওপন গ্রান্দ প্রি টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী টাইটল অদু লৌখিবনি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ঙরাং ইন্দিয়াগী জুরা মনু অত্রি অমসুং সুমিট রেদ্দিনা কানাদাগী জুরা এড্রিয়ান লিয়ু অমসুং টোবি এনজিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–৮, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াই মনু অত্রি অমসুং সুমিট রেদ্দিনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা কানাদাগী দোং অদাম অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী এন্দ্রি এদিষ্টিয়াবু ২১–১৫, ২১–১৯ দা থোইরমখি। অমরোমদা কানাদাগী জুরা এড্রিয়ান অমসুং টোবিনা আয়রলেন্দগী জুরা জোসুৱা মেগি অমসুং সাম মেগিবু ২১–১৯, ২১–১১ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান জুরা ওইরিবা ইন্দিয়াগী মনু অমসুং রেদ্দিনা কানাদাগী এড্রিয়ান অমসুং টোবিবু য়াম্না কোম্না ২১–৮, ২১–১৪ দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা কানাদাগী মিসেলিনা ইন্দোনেসিয়াগী বৈৱান ঝেংগা লম্বা তৌনগদবা অদুদা ঝেং লাকখিদবদগী সোট অমফাওবা য়ৈদনা নুপীগী চেম্পিয়ন অদু নম্বর ৱান সিদেদ মিসে লিনা লৌখিবনি।

নুপীগী দবলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী সেটিয়ানা মাপাসা অমসুং গ্রোনিয়া সোমোভিলনা ইংলেন্দগী জুরা হেদর ওলিভর অমসুং লোরেন স্মিথপু ২১–১৫, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরগা কাঙলুপ অদুগী টাইটল লৌখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ভিয়েটনামগী জুরা টোন দুক দো অমসুং নু থাউ ফামনা স্বিদেনগী নিকো রুপোনেন অমসুং অমান্দা হোগষ্টোর্মবু ২১–৯, ১০–২১, ২১–১৩ দা মায় পাক্লগা মিক্স দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

# প্রো বোক্সরশিংগী ওলিম্পিক্স ক্বালিফিকেসন্দা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ শরুক য়াগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪ ঃ*

রিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা প্রোফেসনেল বোক্সরশিংগী ওইবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ শরুক য়াদুনা রিও চৎপগী আশা থল্লি।

দব্লিয়ু বি সি এসিয়ান টাইটল হোল্ডর ওইরিবা ইন্দিয়াগী নিরজ গোয়ট, গৌরব বিধুরি অমসুং দিলবাগ সিংহনা ঙসি অথেংবদগী ভেনিজুয়েলাগী সহর বর্গাসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী অরোইবা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী গৌরবনা অহৌবা বাওটতা য়ুক্রেনগী বোক্সর মেক্সিম ফটিসকা লম্বা তৌনগনি। বাওট অদু মায় পাক্লবদি সেমি ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। কেটেগোরি অমমমদা মকোক থোংবা বোক্সর ৩ রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

গৌরবনা অহানবা বাওট অদু মায় পাক্লবদি সেমি ফাইনেল অদুদা ভেনিজুয়েলাগী বোক্সর টোপ সিদেদ সেগুন্দো ফেনোল রিবাসকা থেংগদৌরিবনি।

নিরজনা অহানবা রাউন্দদা গ্রিসকী বোক্সর দিমিট্রিয়োস সক্রাকোসকা লম্বা তৌনগনি। অদুগা দিলবাগনা মোলদোভাগী পেত্রু সিয়োভানুগা লম্বা তৌনরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। পনবা য়াবদি সিব থাপা (৫৬), মনোজ কুমার(৬৪) অমসুং বিকাস কৃষন (৭৫) মাঙজেৈনা এমেচর লেভেলদগী ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

# ব্লেক্না মিটর ২০০ গী লমজেল মায় পাকখ্রে

*কিংষ্টন, জুলাই ০৪ ঃ*

ওলিম্পিক্সকী দবলস সিলভর মেডলিষ্ট জমাইকাগী জোহান ব্লেক্না লৈবাক অদুগী এঠলেটিক্স কম্পিটিসনগী মিনিট ২০০ গী লমজেলদা মকোক ওইখ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী লমজেল য়াঙবগী রেকোর্দ থল্লিবা জমাইকাগী উসেন বোল্টনা শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবা জমাইকা এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং পাঙথোকখিবা মিটর ২০০ গী লমজেলদা শরুক য়াখিদ্রবা মতুং ব্লেক্না কম্পিটিসন অদু সেকেন্দ ২০.২৯ দা চেন্দুনা মকোক ওইবদা নত্তনা রিওগীদমকসু ক্বালিফাই ওইখি।

জমাইকাগী এঠলেটিক্স সেলেক্সন কমিতিনা শগোলশেল নুমিৎতা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং শোক্লবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন উসেন বোল্টনা ঙরাং মিটর ২০০ গী লমজেলদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা জুরিয়ান ফোর্টেগী মহুৎ শীনবগী মতাংদা খন্নগদৌরি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোডিনা রিওদা চৎকদবা এঠলিটশিংবু য়াইফ পাউজেল পীখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা মথং থাগী ৫ গী ২১ ফাওবা রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা মেনেক্সো সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওলিম্পিক্স অদুগীদমক খোঙশানগদৌরিবা শান্নরোই কয়া অমদি ওফিসিয়েলশিংগা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না উন্নদুনা এঠলিটশিং অদুনা মখোয়–মখোয়গী তোঙান–তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা মকোক থোংবা ঙম্ননবা য়াইফ পাউজেল অদু পীখিবনি।

থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর জিটেন্দর সিংহ, স্পোর্টস সেক্রেটরী রজিব যাদব, ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ওফ স্পোর্টসকী চিয়ারমেন বিজয় মলহোত্রা, ইন্দিয়ান ওলিম্পিক্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট রামাচন্দ্রন, এসোসিয়েসন অদুগী জেনরেল সেক্রেটরী রজিব মহেতা, হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরী মথংশিংনা নরিন্দর বত্রা অমসুং মোহমদ মুস্তাক অহমদসু য়াওখি।

পনবা য়াবদি ২০১৬ কী ওলিম্পিক য়াওগদবা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অসিনা মশিং ১০০ হেন্দুনা লৈবাক অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থল্লি। দিসিপ্লিন ১৩ দা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোই কয়া অমদি মপান লমদা ট্রেনিং চখবা মরম্না ঙসিগী থৌরম অদু শরুক য়াবা ঙমখিদে।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*